# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ শিংক্রাং # ৩০১

**— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার —**
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ



মণিপুরগী চীংগী লমদমশিংদা হৌবা হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিংগী মনুংদা শিংক্রাং হায়রিবা পাম্বী অসিসু অমনি। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা শিংক্রাং পাম্বী মখল ৩ ফংই হায়না পাউদল্লি। মখোয়শিং অদুদি - শৌরুয়া মেক্রোত্রিচা (Saurauia macrotricha Kurz.), শৌরুয়া নেপাউলেন্সিস (Saurauia napaulensis DC.), অমসুং শৌরুয়া রোক্সবর্গাই (Saurauia roxburghii Wall.) অসিনি। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা শৌরুয়া নেপাউলেন্সিস অসিনা মরাং কায়না ফংই। কার্থিকেয়ননা কুমজা ২০০৯দা পীখিবা পাউদমগী মতুংইন্না শিংক্রাং পাম্বীগী স্পিসিস মখল ৯ লৈ। মখোয়শিং অদুদি - শৌরুয়া আর্মাতা (Saurauia armata Kurtz.), শৌরুয়া ব্রেক্তিয়োসা (Saurauia bracteosa DC.), শৌরুয়া ফেশিকুলাতা (Saurauia fasciculata Wall.), শৌরুয়া গ্রীফিথাই (Saurauia griffithii Dyer), শৌরুয়া মেক্রোত্রিচা (Saurauia macrotricha Kurz.), শৌরুয়া নেপাউলেন্সিস (Saurauia napanlensis DC.), শৌরুয়া পুন্দুৱানা (Saurauia punduana Wall.), শৌরুয়া রোক্সবর্গাই (Saurauia roxburghii Wall.) অমসুং শৌরুয়া সবস্পিনোসা (Sourauia subspinosa J. Anthony) অসিনি।

নেপাউলেন্সিস শিংক্রাং পাম্বী অসি হিন্দিদা গোগান্দ (Gogand) নৎত্রগা পাঙ্গরা (Pangara) নৎত্রগা গোজিনা (Gogina) নৎত্রগা ভাক্রা (Bhakra), তাঙ্খুলদা নাকুইথিং (Nakuithing), মিজোদা তিয়ারপুই (Tiarpui), নেপালিদা গোগুন (Gogun) নৎত্রগা গুগুন (Gugun), চাইনিজদা নিবো ইর শুই দোং গে (Nibo er Shui dong ge), লাওসতা সেন কেন (San ken) নৎত্রগা সোম বাও (Sohm bao), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *শৌরুয়া নেপাউলেন্সিস* নৎত্রগা *শৌরুয়া পেনিকুলাতা (Saurauia paniculata Wall.)* নৎত্রগা *শৌরুয়া এসটর্কুলিফোলিয়া (Saurauia sterculifolia Griff.)* নৎত্রগা *তোন্সিয়া পোলিপেতালা (Tonshia polypetala Buch-Ham. ex D. Don)* হায়না কৌই অমসুং *শৌরুয়েসী (Saurauiaceae)* শাগৈগী মনুং চল্লি। অদুবু বোটানিষ্ট অয়াম্বনা ঙসিদি শৌরুয়েসী শাগৈ অসি এক্তিনিদিয়েসী (Actinidiaceae) হায়না মমিং ওনখরে। মালেম পুম্বগী ওইনা শাগৈ অসিগী মনুংদা স্পিসিস ৩৬০ রোম লৈবগী পাউদম লৈ অদুগা এক্তিনিদিয়া (Actinidia), ক্লিমেটোক্লেথ্রা (Clematoclethra) অমসুং শৌরুয়া হায়রিবা জেনেরো ৩ অসি লৈ। শাগৈ অসিদা চনবা খ্বাইদগী মরু ওইবা পাম্বী অমা হায়রগদি কিৱি ফ্রুইট (Kiwi fruit) অসিনি। মালেমদা খ্বাইদগী পাম্না চান্নবা কিৱি অসি ফজি কিৱিফ্রুইট (Fuzzy Kiwifruit) হায়না কৌই অমসুং মসিগী সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংনা এক্তিনিদিয়া দেলিসিওসা Actinidia deliciosa হায়না কৌই। অতোপ্পা মীয়াম্না অদুমক পাম্না চান্নবা কিৱি পাম্বী খরগী মমিংদি গোল্ডন কিৱিফ্রুইট(Golden Kiwifruit) (এক্তিনিদিয়া চাইনেন্সিস - Actinidia chinesis); হার্দি কিৱিফ্রুইট (Hardy Kiwifruit) (এক্তিনিদিয়া আর্গুতা - Actinidia arguta); অর্ক্তিক কিৱি ফ্রুইট (Artic Kiwifruit) (এক্তিনিদিয়া কোলোমিক্তা (Actinidia Kolomikta); পর্পল কিৱিফ্রুইট (Purple Kiwifruit) (এক্তিনিদিয়া মেলানান্দ্রা - Actinidia melanandra); হার্টি রেদ কিৱিফ্রুইত (Hearty red kiwifruit) (এক্তিনিদিয়া পর্পুরিয়া - Actinidia purpurea) অসিনচিংবনি।

পাউদমশিংগী মতুংইন্না শিংক্রাং পাম্বী অসি এসিয়াগী লমদমশিং মরু ওইনা ইন্দিয়া, চাইনা, ভুটান, নেপাল, লাওস, মলেসিয়া, ম্যান্মার, থাইলেন্দ অমসুং ভিয়েটনামদা মহৌশাগী ওইনা হৌজৈ। অরুনাচল প্রদেশ, অসাম, হিমাচল প্রদেশ, মণিপুর, মেঘালয়া, মিজোরাম, নাগালেন্দ, সিক্কিম, ত্রিপুরা, উত্তর প্রদেশ, উত্তরখণ্ড, ৱেষ্ট বেঙ্গোল অমসুং টামিল নাদু অসি শিংক্রাং পাম্বী হৌবা ষ্টেটশিংনি। শিংক্রাং অসি ফুট ১২দগী ফুট ৬০ ফাওবা ৱাংবা পিক্তক তৌবা উ পাম্বী অমনি। পাম্বী অসি অনেম্বা মফমশিং সমুদ্র ঈমাইদগী মিটর ৪০০ ৱাংবা মফমদগীনা মিটর ৩২০০ ফাওবা ৱাংবা মফমশিংদা মহৌশাগী ওইনা হৌজৈ। পাম্বী অসি নৌরিঙৈদদি ঙাংতক তৌবা শমগুম্বা মতুশিং য়াম্না কুঙনা পাল্লি অদুবু লিশিল্লক্লবদি শিৎ-নাল্লি। মনা অদু সেন্টিমিটর ৭-১৫ ফাওবা পাকই অদুগা সেন্টিমিটর ১৩-৩৬ ফাওবা শাংই লোয়নন শাংনা মকুৎ-মতোং (Ridge and furrow) নাইবা অদু হেক য়েংবদা হেগ্রী পাম্বীগী মনা মাল্লি। লৈ অদু মঙ্গা মচু ওইরপ্পা সেন্টিমিটর অমরোম চাওই অদুগা মহৈ অদুনা মতুম তারগা খুবীমুক চাওই। জুনদগী দিসেম্বর থা ফাওবা লৈ শাৎলি অমসুং মহৈ পাল্লি।

পাউদমশিংগী মতুংইন্না নেপাউলেন্সিস শিংক্রাং পাম্বীগী উগী অনৌবা মকু অদু অতোপ্পা পাম্বী খরগা শুগাইরগা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা অরূম লাইহৌ তৌবা অদু লায়েংনৈ। মীওইবগী তোংশাদা তিঙ্খাং য়ুদুনা মনুংদা লৈখ্রবা অমদি অতোপ্পা পোৎশকশিং লৈখিবদা শিংক্রাং উগী নৌতক তৌবা মকু অদু শুগাইরগা থোমদুনা মতম খরা থম্বদা য়ুরিবা পোৎশক অদু মপান্দা চিংথোকহনবা ঙম্মী হায়দুনা শীজিন্নৈ। অতোপ্পা পাউদম অমগী মতুংইন্না শিংক্রাং পাম্বীসি মীওইবগী পূক্নিং ৱাখল লৈতাদবা অমদি ৱাখলগী ওইবা অনাবশিং য়াম্না কুইরবা মতমদগী শীজিন্নদুনা লাক্লি অদুবু মতৌ করম্না শীজিন্নবগে হায়বগী চপ চাবা পাউদমদি ফংবা ঙমদে। রোক্সবর্গাই শিংক্রাং অসি শম মপোপ শেম্বদা শীজিন্নৈ অদুগা মেক্রোত্রিজা শিংক্রাং অসিনা শরূ তেকপা শম্বদা শীজিন্নৈ। শিংক্রাং পাম্বীগী মহৈ অসি হিংনা নৎত্রগা এঞ্চাং থোংদুনসু চানৈ অদুগা মনা অদুনা অফবা শজিক ওইনা পীজনৈ। ●

## ষ্টেটকী পাউ

## কোভিদ লাইচৎ মায়োক্নবা লুপ ৬না এৱ্যের্নেস পীবগী থবক চথরি

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (ঐচএনএস): মালেমগী লৈবাক পুম্নমক্তা থেংনরিবা তমথিরবা কোভিদ লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্নবা অমদি থেংনবা ঙম্নবা কম্মিটি ওন কোভিদ-১৯ মণিপুর (কাদা, য়ু পি এফ, নিপকো, এমসু, উপাকো অমদি মপি কাউন্সিল) নচিংবনা লেপ্তুনা চঙশিল্লক্লিবা মাস এৱ্যের্নেস প্রোগ্রামগী মখাদা দিরেক্টোরেট ওফ অয়ুসকা খুৎশম্নদুনা ঙসি ককচিং অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হাংলিবা কোভিদ কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর, লোকল কোভিদ টাস্ক ফোর্স, লোকল ক্লব অমদি মৈরা পায়বীশিংদা কোভিদকী হীদাক অয়ুস ৬৪ টেব্লেট, ফেস মাস্ক, হেন্দ সেনিটাইজরনচিংবা য়েন্থোকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়রি।

কম্মিটি ওন কোভিদ-১৯ মণিপুরগী মীদিয়া কো-ওর্দিনেটর গিটচন্দ্র মঙাঙনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ঙসি য়েন্থোকখিবা মফমশিং অদুদি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা জে এন ভি উমাথেলদা হাংদোক্লিবা কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টরদা অয়ুস টেব্লেট পেকেট ১৩০, হিয়াংলম এ সীগী ওইনা লাংমৈদোং হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা হাংলিবা সী ঐচ আই সী অয়ুস টেব্লেট ১৩০ পেকেট, ফেস মাস্ক, হেন্দ সেনিটাইজরশিং পীখি। মসিদা নত্তনা লাংমৈদোং মমাঙ লৈকায় সিটিজন ক্লবতা হাংলিবা হোম আইসোলেসন এন্দ পোষ্ট কোভিদ পেসেন্টশিংগী অয়ুস টেব্লেট ৬০, য়ুথ দিভেলপমেন্ট ক্লব লাংমৈদোং মনীং লৈকোয়দা হাংলিবা হোম আইসোলেসন এন্দ পোষ্ট কোভিদ পেসেন্টশিংদনা অয়ুস টেব্লেট পেকেট ৬০ পীখি। ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লমদেং কোভিদ টাস্ক ফোর্সতা হোম আইসোলেসন এন্দ পোষ্ট কোভিদ পেসেন্টশিংগী অয়ুসকী টেব্লেট ১০০, টাউথোং অফেবা য়ং সোসল ক্লবনা হাংবা সী ঐচ আই সীদনা অয়ুসকী টেব্লেট পেকেট ৪০, ফৈয়েং গ্রাম পঞ্চায়ট কোভিদ টাস্ক ফোর্সতা হোম আইসোলেসন এন্দ পোষ্ট কোভিদ কোভিদ পেসেন্টশিংগী অয়ুস টেব্লেট পেকেট ১০০, লমশাং তাউথোং মৈরা পায়বীদা হোম আইসোলেসন এন্দ পোষ্ট কোভিদ পেসেন্টশিংগী অয়ুস টেব্লেট ৫০ পেকেট পীখি হায়রি। লোয়নন দিরেক্টোরেট ওফ অয়ুস দোক্টর এ গুনেশোর শর্ম্মনা মহাক্কী ওফিস চেম্বরদা কোভিদকী হীদাক অয়ুস ৬৪ টেব্লেট পেকেট ২৭০০ কম্মিটিগী মেম্বরশিংদা খুৎশিন্নখি।

## লায়ন্স ক্লবনা থৌরম শীনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (ঐচ এন এস): লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল সেন্ট্রেলনা লায়নেষ্টিক ইয়র ২০২১-২০২২গী ওইনা অনৌবা বোর্দ ওফ দিরেক্টরস খনবগী মতাংদা থা অসিগী ২৮গী নুংথিল পুং ৫ তাবা মতমদা ভর্চ্যুএল ওইবা মীফম অমদা ইন্সটোলেসন তৌখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি। লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল সেন্ট্রেলগী সেক্রেটরি ডা. পাওঁজেম সঞ্জিবনা থোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না, ইন্সটোলেসন থৌরম অদুদা লায়ন ডা. ৱাহেংবম গোপিমোহোন, পি এম জে এফনা ইন্সটোলেসন ওফিসর কম চীফ গেষ্ট ওইখি। লায়ন্স ক্লব ইন্টরনেসনল দিষ্ট্রিক্ট, ৩২২-দিগী অহানবা ভাইস প্রসিদেন্ট গভর্ণরসু ওইরিবা গোপিমোহোননা ক্লব অসিগী ওইবা লায়ন য়ুন্নাম রঞ্জিৎ, এম জে এফপু প্রসিদেন্ট, লায়ন ডা. পাওঁজেম সঞ্জিবপু সেক্রেটরি লোয়নন লায়ন থাংজম বাব্লুবু ট্রেজরর ওইনা খনখিবগা লোয়নন অতোপ্পা মেম্বর ১৩না তোঙান-তোঙানবা ফমশিং পায়দুনা কুমজা ২০২২গী জুন ৩০ ফাওবা থৌ পুগদবনি হায়না জূম মীটিংদা পাঙথোকপা ভর্চ্যুএল মীফম অদুনা ৱারেপ লৌখি।

## মেঞ্জোর মঙাংনা পুখ্রি ঈশিং হাপখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (ঐচ এন এস): ৩৫-খাঙবোক এ সীগী মনুংদা পায়খৎলকপা চউখৎ থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা এ সী অসিগী মনুং চন্না লৈবা সমরাম মনিং লৈকায়গী লাইবুং নাকলদা লৈরিবা পব্লিক পোন্দ অসি ঈশিং অনৌবা হাপচিল্লবা মতুংদা শীজিন্নবা য়ানবা হায়দুনা মীয়ামগী সোসল ৱার্কর খুন্দ্রাকপম মেঞ্জোর মঙাং, ষ্টেট এগজিক্যুটিভ মেম্বর বি জে পি মণিপুর প্রদেশনা শুনু অমদি অতৈ পোৎলমশিং পীবীদুনা পুখ্রিদা থাদখ্রে। লোয়নন এ সী অসিমক্কী খাঙবোক পল্লি লৈকায়গী পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ৩৫/৬কী মনুং চন্না লৈবা মীয়াম্না শীজিন্নরিবা পব্লিক পোন্দ অসিগী ঈশিং কংশিল্লকপদগী, ঈশিং হাপচিনবীনবগীদমক লৈকায় মীয়াম্না হায়বীরকপগী মতুংইন্না সেবা ক্লবকী খুখাংদা অচঙবা শেলগী মতেং পীবীরক্তুনা লৈকায় মীয়ামগা খুৎশম্নদুনা পুখ্রি অসি ঈশিং থন্নবা চিংশিনবা মপুং ফানা লোইশিনখ্রে। হকথেংননা মেঞ্জোর মঙাংনা মশা লাকপীদুনা য়েংশিনবীরম্বা অমদি অৱাৎ অপা য়েংশিনবীরম্বীগীদমক মীয়াম্না থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। মতম কুইনা মীয়ামগী থৌগল তৌবা ওইসনু হায়না তইবং শেম্না মপুগী মফমদা থৌনিজরি।

## ইম্ফাল বারাজ দাম অমদি রিগুলেটর দাম লৈবগী কান্নবা লৈত্রে : এ আই টি আই

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল তুরেলগী মথক্তা শাদুনা লৈরিবা ইম্ফাল বারাজ দাম অমদি তুরেল অহনবীগী মথক্তা শারিবা রিগুলেটর দাম লৈদুনসু লৌমীগী অৱাবা কোক্ত্রি হায়না ওল ইন্দিয়া তাঞ্জিম-ঈ-ইনসাফ (এ আই টি আই)গী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এম দি জকির অহমদনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, 'থাইনগী মচৎ মোন্সুন' হায়বদি কুমগী নোং লৌমীশিংনা লৌউশিংঙৌগী থবক্তা মোন্সুন ঙাইদুনা লৌউবা ঙাইনা লৈবগী মহুত্তা ঈথৈ লৌখোং নীংথিনা শেমদুনা লৌ উনবগী খুদোংচাবা পীরগদি লৌমীশিংনা মপুং ফানা লৌউদুনা পোত্থোক মরাং কায়না পুথোকপা ঙমগনি।

কুমজা ১৯৭২ তা মণিপুর পিপলস পার্টি (এম পি পি) না লুচিংবা লৈঙাক অদুনা চহী অদুদা থোকখিবা ঈকংগী অৱাবা অদু অমুক হন্না লাক্তনবা দাম প্রোজেক্ট হৌদোক্তুনা ইম্ফাল তুরেলগী বারাজ দাম অমদি তুরেল অহনবীদা রিগুলেটর দাম শাখিবনি। দাম অসি শারকপদা তুরেলগী নাক য়েৎতা লৈরিবা মীয়াম্না অৱাবা পোক্কনি হায়না খন্নখি।

লোয়নন নাক য়েৎতা ঈথৈ লৌখোং শেমদুনসু চহী খরদি শেমদুনা ঈশিং ফংহনখি অদুবু মতম অদুগী লৈঙাক্লা থল্লম্বা মীৎয়েং অদু তুংদা লাকখিবা লৈঙাকশিংনা মপুং ফানা পাঙথোকখিদবনা মফম খরদা শেল্লম্নবসু অতোপ্পা মফম খরদা শেল্লমদবনা শাংলবা মতম অসি ঈথৈ নৎত্রবসু দামগী থিংগৎলকপা ঈশিং অদুনা লন্নাই উকুপান্দুনা লৌ উরম্বা অদুসু থোং য়াদে হায়দুনা চহী ৫/৬ অসিদি খজিক ফাওবা ফংবা ঙমখিদ্রে। লৌমীশিংনা ৱাকৎলবসু অথুবদা শেল্লগনি হায়দুনা চহী কয়া অসি লাকখিবনি। কয়ারক হন্না দাম অসি শেম্নবা ইঞ্জিন্নিয়র খক নত্তনা চীফ মিনিষ্টরগী থাক ফাওবদা ৱাকত্তুনা লাক্লি। ৱাকৎলবা মতুংদা শেমগৎ শাগৎলগনি হায়বগী থাজবা কয়ারক হন্না পীরকখ্রবসু থবক্তদি ওন্থোরকখিবা হৌজিক ফাওবা লৈত্রি। মতৌ অসুম্না মীয়াম্না খম থেংনা ৱারবা অসিদা ঙসি ফাওবদা মরী লৈনবা অমদি লৈঙাক্লা য়েংশিনবীদনা লৈরিবা অসি হৌখিবনা হৌখ্রবসু মীয়ামদা অৱাবগী মথক্তা অৱাবা অমমুক পীবগী মহুত্তা লৌমী মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবশিং অসি কোক্নবা ওল ইন্দিয়া টাঞ্জেম-ঈ-ইনসাফ (এ আই টি আই) মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## মীওই ১ ফাখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (ঐচ এন এস): আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা খুগা বট্টালিয়ননা চুড়াচান্দপুরদা অচৎ-অওক চ্যেক তৌবদা মীওই অমা লুপা ক্রোর ১.৫ রোম ওইগদবা হিরোইন নম্বর ফোর গ্রাম ৩৭৭গা কোন্ননা ফারে হায়না অসাম রাইফলসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

অসাম রাইফলসকী ট্রুপনা চথখিবা থিবা-হুম্বগী থবক অদুদা দ্রগ হিরোইন নম্বর ফোর গ্রাম ৩৭৭ পুরম্বা মীওই অদু ফাবা ঙমখিবনি।

## কবুই য়ুনিয়ন মণিপুরনা সাইখোম মিরাবাইবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (ঐচ এন এস): থা অসিগী ২৩দগী হৌখিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী কম্পিটিসন হৌদোকপা নুমীৎতা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখ্রবী মণিপুরদগী হৌখিবী ৱেথলিফটর সাইখোম মিরাবাই চনুবু কবুই য়ুনিয়ন মণিপুরনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

কবুই য়ুনিয়নগী মায়কৈদগী প্রসিদেন্ট ডা. কে হিরা কবুইনা ঙসি প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না সাইখোম মিরাবাই চনুনা মণিপুর খক্তা নৎতনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেট অমদি ইন্দিয়াগী ওইনা মিংচৎ পুরকপদা হরাউবা অমদি অপেনবা ফোঙদোকপগা লোয়নন মহাকপু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

য়ুনিয়ন অসিগী ওফিস বিয়ররশিংনা সাইখোম মিরাবাই চনুগী ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী নোংপোক ককচীংদা লৈবা য়ুমদা চৎতুনা কবুইগী চৎনবীগী ওইবা পোৎলমশিং খূদোল তমদুনা থাগৎ ৱাহৈ উৎলমখি। কবুই য়ুনিয়ননা মখা তানা সাইখোম মিরাবাই চনুনা লৈবাক অসিগীদমক্তা অহেনবা মালেমগী থাক্তা পাঙথোকপা কম্পিটিসনশিংদা মিংচৎ হেন্না পুরকপা ওইরসনু হায়নসু ফোঙদোকখি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা ইন্দিয়াগী মেনলেন্দনা চথরিবা নোর্থ ইষ্টকী মীওইশিংগী মথক্তা থল্লিবা মীৎয়েং অসি লৌথোক্তুনা 'ষ্টোপ রেসিজম টুৱার্দস নোর্থ ইষ্ট পিপল ওফ ইন্দিয়া' হায়বা ৱাখল্লোন অসিসু মীয়ামদা থম্লিংবগী ৱারোল ফোঙদোরক্লি। রেসিজম হায়বা অসি হ্যুমেনিজম নৎত্রগা পেট্রিওটিজম নত্তে। ইন্দিয়াদা লৈরিবা মীওইশিং অসিনা নোর্থ ইষ্টকী মীওইশিং অসিদগী হেনবা নত্তে।

মখা তানা চেরোল অসিনা পল্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, মণিপুরগী সী এম নোংথোম্বম বিরেনবু মণিপুরগী কৌত্রুকতা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি থম্নবগী থবক লৌখৎপীরকপা অসিগীদমক্তসু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

## 'খুরাই খোমিদোক হায়গদবনি'

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (ঐচ এন এস): খুরাই হৈগ্রুমখোংগা তায়নবদা লৈবা মৈতৈ মুস্লিম তাবা খুরাই খোমিদোক হায়রগা খঙনরিবা মফম অসিদা ইম্ফাল ইষ্ট পুলিস টিমগা মফম অদুগী মীওই খরগা কর্ফিয়ু ভাইওলেসন তৌই হায়বগী মতাংদা ঙসি উংখৎনবা থৌদোক থোকখিবদা পুলিসকী পর্সনেল অহুম শোকখিবগা লোয়নন পুলিসনা ঈরাং অদুবু নমথনবা হোৎনবদা মীওই ৩০ রোম ফাগৎখি হায়না ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়া খরদা থেংনজখি। মদুদা লাইবক থীবদি খুরাই খোমিদোক্তা থোকপা থৌদোক অদুবু খুরাই হৈগ্রুমখোং হায়না পল্লকখিবা অদু খুরাই খোমিদোক হায়গদবনি হায়না ফ্রেন্দস য়ুনিয়ন ক্লব, খুরাই হৈগ্রুমখোঙ, ইম্ফাল ইষ্ট মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি এস সনাহনবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## মীওই ১৪৫দা ভেক্সিন কাপখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী থোংজু এ সীগী মনুং চন্না লৈবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্নবা মাস-কোভিদ ভেক্সিনেসনগী প্রোগ্রাম লেপ্তুনা চথরি। ঙসিসু থোংজু এ সীগী মনুং চন্না লৈবা খোংমন মংজিল ওরিএন্টেল ক্লবতা খোংমন গ্রাম পঞ্চায়টকী মেম্বরশিংগা পুন্না খুৎশম্নদুনা কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

ৱার্ক্স মিনিষ্টর অমদি থোংজু এ সীগী এম এল এ টি ঐচ বিশোজিৎকী লমজিং মখাদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন, খোংমন মংজিল ওরিএন্টেল ক্লব অমদি খোংমন গ্রাম পঞ্চায়টনা পুন্না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা মাস ভেক্সিনেসনগী থৌরম অদুদা পুন্না মীওই ১৪৫ ভেক্সিন কাপখি। মখোয়গী মনুংদা চহী ৪৫দগীনা ৫৯ ফাওবগী মনুংগী ফার্ষ্ট দোজদা মীওই ১০, সেকেন্দ দোজদা মীওই ৩৯, চহী ৬০গীদনা ফার্ষ্ট দোজদা মীওই ১৪, সেকেন্দ দোজদনা ২৫ য়াওনা কাপখি।

## মীওই ১৩২ ফাদূনা দিটেন তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (ঐচএনএস): ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ লাইচৎ মায়োক্নবা লৈঙাক্না কর্ফিয়ু অমদি তোঙান তোঙানবা চৎন-কাঙলোনশিং লাউথোক্তুনা থল্লিবা অথিংবা অসিবু থুগায়দুনা থোক্লকপা মীওই ১৩২ রোম মণিপুর পুলিসনা তোঙান তোঙানবা মফমদা দিটেন তৌদুনা ফাইন থীহনখ্রে।

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসি মায়োক্নবা লৈঙাক্না থমখিবা য়ুমদগী মপান থোক্লকপদা ফেস মাস্ক উপ্তুবা, মীয়াম তিনবা মফমদা লোক-তিন শীৎপা অমদি কর্ফিয়ু থুগায়দুনা থোক্লকপা য়াওনা পুন্না ঙসি মণিপুর পুলিসনা তোঙান তোঙানবা মফমদা মীওই ১৩২ দিটেন তৌখি। মখোয়শিং অদু মখা তানা তৌদনবা ৱার্নিং পীরগা লুপা ৪৬,১০০ ফাইন থীহনখি হায়রি। ঙসি পুলিসনা দিটেন তৌখিবা মীওই ১৩২ অদুগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ২৭, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ৭, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ৫০, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ৪২, চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ১, কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ৩ অমদি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ১নি।

হৌজিক ফাওবদা কোভিদ লাইচৎ অসি থেংননবা মণিপুর পুলিসনা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা লেপ্তুনা চথরক্লিবা দ্রাইভ অসিদা পুন্না লুপা ২,৫০,৬৫,৭৪০ খোমগৎপা ঙমখ্রে। পুলিসনা চথরিবা দ্রাইভ অসি মখা তানা লেপতনা চথখিগনি হায়রি।

## থাঙ্গাল কৈথেলদা নুপা ১ থৌরী য়ান্দুনা শিরল্লে

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (ঐচএনএস): ঙরাং নুমিদাং পুং ৬.১৫ রোম তাবা মতমদা সিটি পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা থাঙ্গাল কৈথেলগী কালিবারিগী হিন্দুষ্টান সামাজ বিল্ডিং মনাক্তা লৈবা গ্রোসরিগী গোদাউন অমগী মনুংদা নুপা অমা থৌরী য়াল্লগা শিদুনা লৈরল্লে হায়রি।

লৈখিদ্রবা নুপা অদুগী মমিং সুখারম চৌধুরি কৌই, চহী ২৫ রোমগী লেঙ্গানি, অপোকপা রাজেন্দ্র চৌধুরি কৌই। মহাক মধুরাপুর সমষ্টিপুরদগী লাক্লগা ইম্ফালদা লৈবনি হায়রি। মহাক্না শিরল্লিবা মফম অদু গ্রোসরি গোদাউন অমদি ওফিসনচিংবা ওইনা শীজিন্নবা মফমনি হায়রি। থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং অদু সিটি পুলিসনা লৌখৎলগা পোষ্ট মোর্টেম তৌনবগীদমক রিমসকী মোর্গতা থমগদবদা মখোয়গী কোল্ড ষ্টেরোজ য়াদবনা মরম ওইদুনা জে নিমসকী মোর্গতা থমখ্রে হায়রি। মহাক্না শিদুনা লৈরল্লিবা গোদাউন অদু থাঙ্গাল কৈথেলগী এম জিদা লৈবা পুজা ট্রেদিংগী মপু পাৱল পুমার গোথৱাল (৫৩), অপোকপা লৈখিদ্রবা দুর্গা বথ কৌবা অমগীনি হায়রি। মীশি অদুগী মতাংদা সিটি পুলিস ষ্টেসনন য়ু দি কেস অমা লৌখৎখ্রে।

## শক্লাইরবা ফিল্ম প্রদ্যুসর-দিরেক্টর চান্দ হৈস্নাম লৈখিদবগী অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (ঐচএনএস): শক্লাইরবা ফিল্ম প্রদ্যুসর, দিরেক্টর চান্দ হৈস্নাম লৈখিদবদা কেটুকি ফিল্ম প্রদক্সনগী মেম্বরশিংনা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

ফিল্ম প্রদক্সন অমদি ইদিটিং সেন্টর অসিগী মপাং ওইরিবা নিরা আর্ট, সাই মীদিয়া লাইন, লিংজেল মুভি, ইবুধৌ থাংজিং ফিল্মনচিংবগী প্রদ্যুসরশিং অমদি কেটুকি ফিল্মগী মরুওইবা মেম্বর কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা শক্লাইরবা কেমেরামেন অমদি আর্টিষ্ট কয়াসু শরুক য়াখি।

মীফমদা শরুক য়াখিবশিংনা মহাক্লা হিংলিঙৈ মতমদা মণিপুরী সিনেমাগীদমক লৌরম্বা থৌদাং কয়া শীংথানখি। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা শক্লাইরবা এক্টর দিরেক্টর অমর্জিৎ রাজকুমার (অমরাজ)না হায়খিবদা, লৈখিদ্রবা চান্দ হৈস্নামনা হিংলিঙৈ মতমদা মণিপুরী সিনেমাগীদমক লৌরম্বা থৌদাংশিং শীংথানিংঙাই ওই। নহা ওইরিবা টেলেন্টেদ আর্টিষ্টশিং শেমগৎনবগী পান্দমদা লীশাং শীৎনা আর্টিষ্ট টেলেন্ট হন্ট প্রোগ্রাম পাঙথোক্তুনা মণিপুরী সিনেমাগী অওনবা খোঙচৎ অমগী অহৌবা থৌদাং লৌবীরম্বনি।

## দিফরেন্টলি এবল্ডশিংসু খুদোংচাবা ফংহল্লু

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (ঐচএনএস): ষ্টেট অসিদা মণিপুর লৈঙাক্লা কোভিদ লাইচৎ অসিবু লাকশীন্নবা লৌখৎলিবা থৌরাংশিং অসিদা দিফরেন্টলি এবল্ডশিংসু মীৎয়েং চঙহন্নিংবগী অপাম্বা ষ্টেট প্লেটফোর্ম ওফ দিসএবল্ড পিপল ওর্গনাইজেসন (এস পি দি পি ও) মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এম দি য়ুনুস খাননা ফোঙদোরক্লি।

এস পি দি পি ওগী চেরোল অদুনা হায়, হৌজিক হৌজিক য়ূম পুরিবা দিফরেন্টলি এবল কয়ানা মতৌ করম্না লেল্লমগনি। ঐচ আই ভী অমদি এইদসকী চৈথেং ফংদুনা ৱিদো ওইহৌরবা কয়ানা মতৌ করম্না লৈরমগনি। লোয়নন ৱিদোদি ওইহৌরবা ষ্ট্রিট ভেন্দরদি ফমহৌদ্রবা নুপী কয়াসু লৈঙাক্কী খুদোংচাবা অসি ফংহল্লু। মখোয়না য়ূমদা লৈরগা অঙম-অঙম্বা থবক শূদুনা, ফিশা-লোনশা তৌদুনা হিংনবা হোৎনরি। মসিদা নত্তনা নোংমগী অফং-অফংবা থবক শূদুনা হিংনবা হোৎনরিবা মীওইশিং অসিসু সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টনা মীৎয়েং চঙহন্নিংই। দিফরেন্টলি এবল্ড কয়াদি লৈঙাক্কী খুদোংচাবা অসি ফংদনা ৱানা হিংলি। চীফ মিনিষ্টরগী কোভিদ-১৯ এফেক্টেদ লাইবলিহুদ সপোর্ট স্কিম অসিদা দিফরেন্টলি এবল্ডশিং অমদি ৱিদোশিংসু য়াওহনবিয়ু হায়না মহাক্না লৈঙাক্কী মীৎয়েং চিংশিল্লক্লি।

**/ CERTIFICATE LOST**

I have lost my original certificate of H.S.L.C. Examination 1982 bearing Roll no. 12966 issued by BOSEM on the way between Nambol Naorem Mayai Leikai and Malom Bazar on 16/07/2021. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Laishram Raghumani Singh**
# 9383228163
HL-P/6371/31

**/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি**



**Naorem Ibomcha**

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নান্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোন্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792
HL-B/7035/15/7-15/9

**/ লম য়োঞ্জরি**

ঐ ইশাগী মিংদা লৈবা, অচিনবা অমগীদমক অথুবদা পোইন্ট ২০ (কুন) মুক চাওবা লম অমা য়োঞ্জরি। মফম্না ককচিং ঈরুম লমদোং মেরী ইমাকুলেট কেথোলিক স্কুল মনাক্তনি। কনাগুম্বনা পাম্বীবা লৈরগদি মখাগী ফোন নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকউ।

**# 9612741229**
HL-P/6370/31

**OFFICE OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG**
**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG**

**Vide Mut. Case No. 50/SDC/Lilong 28/7/2021**

Md. Abdul Hassan S/o (L) Habibur Rahman of Lilong Uku Mamang

-Vs-

Late Suleiman S/o Late Abdur Rahim of Lilong Uku Maning

**/ NOTICE**

28th July, 2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহঞ্জরি মদুদি খুল নং ১৬ লিলোং পাট্টা নং ১২৩৪ দাগ নং ৩৩৬০ অসিগী পাট্টাদার শিখ্রে। মৃত পাট্টাদার অসিনা হিংলিঙৈ মতমদা ৱাসেদ ওইনা লৌ একর .৩১ অৱাং থংবা শরুক্তা তাং ২৬/৭/২০০৫ মমৌনুপী অমদি মশুনুপাগী শরুকনি হায়না দলিল ওইনা ইরগা থল্লম্মী। পীরল্লিবা লৌ লৌখাই (.৩১) একর অসি নামা পানহৌদরে। পাট্টা নামা পান্দ্রিঙৈদা মমৌনুপী অমদি মশুনুপানা করিগুম্বা দরকার ওইবা মরমদগী মনাওনুপা শাগৈগী মচিন-মনাওগী মিংদা লৌ লৌখাই .৩১ একর অসি কো-পাট্টাদার ওইনা মিং চঙলগনি। মরম অদুনা কো-পাট্টাদার ওইনা চঙবা অসিদা মৃত পাট্টাদারগী মচা-মশুশিং, নিংঙোল-পিবা পোকমিন্নবশিংনা য়ানিংদবা অমদি ওবজেক্সন তৌনিংলবদি ঙসিদগী হৌরগা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী ৭ (তরেৎ)নি ফাওবদা কমপ্লেন/ওবজেক্সন তৌবীনবা হায়জরি অমদি খঙহঞ্জরি। মরম অদুনা কোর্টনা পীরিবা নুমীৎ অসিগী ৱাংমদা লাকপা কেস অমত্তা কোর্টনা লৌজরোই। কেস অসি মখা চথদুনা কো-পাট্টাদার নং ২ হায়না মিং চঙলগনি হায়না খঙহঞ্জরি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Lilong
HL-P/6372/31